নেসন্স কপ ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট

# অহানবা ওইনা পাঙথোকপা নেসন্স কপ ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্টকী টাইটল চাইনানা লৌখ্রে, ইন্দিয়া ৫শুবা তাহৌরে




ন্যু দিল্লি, মে ১১ (এজেন্সী):

ইন্টরনেসনল চেছ ফেদরেসন্না শীন্দুনা টিম তরুক্কী ওইবা অহানবা ওনলাইনদা পাঙথোকপা নেসন্স কপ চেছ টুর্নামেন্টকী টাইটলগীদমক ঙরাং অথেংবদা শান্নবা সুপর ফাইনেলদা চাইনা অমসুং য়ু এস এ গেম ২-২ দ্রো চৎখ্রবসু মমাঙগী পোইন্ট টেল্লিদা চাইনানা ফজবা হেনখিবদগী টাইটল লৌখ্রে। ইন্দিয়া টিম তরুক্কী টুর্নামেন্ট অসিদা মঙাশুবা তাহৌরে।

মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা শান্নবগী ইভেন্ট পূম্নমক লেপখিবা মরম্না চেছ মশান্নগী ওইনা ময়ূম ময়ূমদা লৈরগা ওনলাইন্দা শান্নবগী কাঙলোন অসি ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা নোৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসননা হৌদোক্তুনা মকোক থোংবা নুপাগী গ্রান্দমাষ্টর ৮না শরুক য়ারগা অহানবা মেগনস কার্লসন ইনভাইটেস্নল ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রবা মতুং ইন্টরনেসনল চেছ ফেদরেসন্না টিমগী ওইবা অহানবা নেসন্স কপ ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট থা অসিগী ৫দগী য়ু এস দোল্লর ১,৮০,০০০গী মনা থমদুনা টিম তরুক্না শরুক য়ারগা পাঙথোকখ্রে।

টিম তরুক্কী মায়কৈদগী নুপী শান্নরোয় অমমম য়াওরগা শান্নরোয় মরিনা রাউন্দ মরিগী লম্বা তৌনদুনা দবল রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা রাউন্দ তরা শান্নখি। মদুদা চাইনানা পোইন্ট ১৭ ফংদুনা মকোক ওইরগা য়ু এস এনা পোইন্ট ১৩ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেলদা লম্বা তৌনখি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদ্রিঙৈ মাঙওইননা শরুক য়ারিবা চাইনা, য়ু এস এ, য়ুরোপ, রসিয়া, ইন্দিয়া অমসুং রেষ্ট ওফ দি ৱর্ল্ডগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা চাইনাগী টিমনা খ্বাইদগী পাঙ্গল লৈবা ওইখি। মদুমক্না মখোয়না শান্নখিবা রাউন্দ তরাদা মকোক থোংবা ঙমখিবনি।

য়ু এস এ অমসুং য়ুরোপ রাউন্দ ১০ লোইশিল্লকপদা পোইন্টতা মান্নরবসু বোর্দ পোইন্টতা য়ু এস এনা মখোয়দগী হেনবা মরম্না ঙরাংগী ফাইনেল মেচ অদুদা চাইনাগা য়ু এস এগা শান্নখি।

চাইনাগী মায়কৈদগী লৈবাক অদুগী নম্বর ৱান ওইরিবা গ্রান্দমাষ্টর দিং লিরেন অমসুং য়ু এস এগী মকোক থোংবা শান্নরোয় গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নকামুরাগা লম্বা তৌনবদা দিং লিরেনগী এটেক অদু নকামুরানানা ঙাকথোক্তুনা ৩৮শুবা মিনটতা দ্রো চৎখি।

অনীশুবা গেমদা য়ু এস এগী ফাবিয়ানো করোনানা অঙৌবা মচু পায়রগা চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর য়ি ৱৈগা লম্বা তৌনবদা মুভ ৪৩দা মায় পাক্তুনা চাইনাবু ১.৫-০.৫দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা গেমদা চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর য়াঙ্গি য়ুনা অঙৌবা মচু পায়রগা য়ু এস এগী ৱেষ্টলিস ছোবু ৩৪শুবা মুভতা মায়থীবা পীবদগী টিম অনী ১.৫-১.৫দা মান্নদুনা লৈখি।

ফাইনেল অদুগী মরিশুবা গেমদা চাইনাগী মায়কৈদগী নুপীগী গ্রান্দমাষ্টর য়িফান হৌ অমসুং য়ু এস এগী নুপীগী গ্রান্দমাষ্টর ইরিনা ক্রুসকা য়াম্না মরুওইবা লম্বা তৌনখি। গেম অদু য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর ইলিনানা অঙৌবা মচু পায়দুনা শান্নরবসু চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর য়িফান হৌনা য়াম্না ফজবা মওংদা দিফেন্স তৌদুনা ৩৭শুবা মুভতা শান্নরোয় অনীমক মখা তাবা মায় পাকপা য়াবগী খোঙচৎ অমত্তা লৈখিদবা মরম্না দ্রো চৎতুনা টিম অনী ২-২দা লৈনখিবদগী অহানবা ওইনা পাঙথোকপা নেসন্স কপ ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবগী মতাংদা মমাঙদা শান্নখিবা রাউন্দ তরাদা চাইনানা য়ু এস এদগী পোইন্ট ১৭ ফংলগা য়ু এস এনা পোইন্ট ১৩ ফংখিবা মরম্না মদুগী ফোর্মেট অদু য়েংলগা টাইটল অদু চাইনানা লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী টিমনা তরাশুবা রাউন্দ ফাওবদা পোইন্ট মঙা ফংলগা টিম তরুক্কী লম্বা অদুদা য়ুরোপ অমসুং রসিয়াগী মতুংদা মঙাশুবা পোজিসন তারগা লৈহৌখি। রেষ্ট ওফ দি ৱর্ল্ডগী টিমনা মমৈদা লৈখি।

বেলারসিয়ন প্রেমিয়র লীগ ২০২০

# বাটে বোরিসোবনা এফ সী স্মোলিভিসিবু ৫-৩দা মায়থীবা পীখ্রে, দাইনামো ৱ্রেষ্টনা দিনামো মিন্সকবু ২-১দা থোইখ্রে



মিন্সক, মে ১১ (এজেন্সী):

য়ুরোপকী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী চৈথেং মায়োক্নরিবা মনুংদা লেপ্তুনা পাঙথোরকখিবা অমত্তা ঙাইরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা বেলারসিয়ন প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৮শুবা রাউন্দগী মেচতা বাটে বোরেসোবনা এফ সী স্মোলিভিসিবু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদা দাইনামো ৱ্রেষ্টনা দিনামো মিন্সকপু ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

বেলারসকী মিন্সক সিটিদা লৈবা ওজোর্নোনি ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা ৮শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা বাটে বোরেসোব অমসুং এফ সী স্মোলিভিসি লম্বা তৌনখি।

বাটে বোরেসোব ৭শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ৬শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি। অমরোমদা স্মোলিভিসিগী টিম ক্লব ১৬না লম্বা তৌনরিবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা মেচ অমত্তা মায় পাকপা ঙমদনা ১৮শুবা পোজিসন্দা লৈখি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী অহানবা হাফতা বাটে বোরেসোবনা য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৩-১দা মাঙজিল থাখি। অদুবু মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু এফ সী স্মোলিভিসিগী মায়কৈদগী এলেক্সি টুরিকনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট ইবজেনি বাসুকোর্বনা মেচকী অহানবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা ফজবা ঙমখি। অদুবু বাটে বোরেসোবকী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল অহুম চনশিন্দুনা অহানবা হাফতা মখোয়না ৩-১দা মাঙজিল থাবা ঙমখিবনি।

ইক্বেলাইজর অদু মেচকী ১৩শুবা মিনটতা বাটে বোরেসোবকী ষ্টানিস্লাব দ্রাগুননা পীরকপা বোল অমনা মাক্সিম স্কাবিচনা চনখি। ১৫শুবা মিনটতা বোরিসোবকী মায়কৈদগী ইবজেনি য়াল্লোনস্কিনা সপ্লাই তৌরকখিবা বোল অমদা আইগোর ষ্টাবিচনা চনখি। অদুগা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদুনা ষ্টাবিচনা পীখিবা বোলদা টিমমেট দিমিত্রি বগানা চনখি।

অনীশুবা হাফতা স্মোলিভিসিগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মওংদা অথুবা মতমদা পাঞ্জল অনী চন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইহনখি। ৫৫শুবা মিনটতা স্কেগ্রিগোবিচনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং টিমমেট জোন মোরেলনা ইক্বেলাইজর চন্দুনা ৩-৩দা লৈখি। অদুবু মেচকী ৮০শুবা অমদি ৯০শুবা মিনটতা বোরিসোবকী নেমানিয়া মিনিকনা পাঞ্জল ২ চন্দুনা ৫-৩দা থোইখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা দাইনামো ৱ্রেষ্টনা দিনামো মিন্সককা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকপা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল অদু দিনামো মিন্সককী মায়কৈদগী কার্লো ব্রুসিকনা শোয়বদগী চনশিনখিদুনা দাইনামো ৱ্রেষ্টকী অহানবা পাঞ্জল ওইহনখিবনি। ২৪শুবা মিনটতা দিনামো মিন্সককী দানিলোনা ইক্বেলাইজর অদু টিমমেট আইগোর সিটোবনা পীরকপা বোলদা চনখি। অদুবু অনীশুবা হাফকী অঙনবা মতমদা দাইনামো ৱ্রেষ্টকী রোমান য়ুজেবচুকনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট দেনিস লাবটেবনা চন্দুনা ২-১দা থোইখি। বাটে বোরিসোবনা টেবলগী মাঙজিল থাবা ঙল্লি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | BATE Borisov | 8 | 5 | 1 | 2 | 16 | 9 | +7 | 16 |
| 2 | FK Slutsk | 8 | 5 | 1 | 2 | 15 | 11 | +4 | 16 |
| 3 | Energetik-BGU | 8 | 5 | 0 | 3 | 10 | 8 | +2 | 15 |
| 4 | Isloch Minsk Raion | 8 | 5 | 0 | 3 | 11 | 12 | -1 | 15 |
| 5 | Torpedo-Zhodino | 8 | 4 | 3 | 1 | 9 | 4 | +5 | 15 |
| 6 | Dynamo Brest | 8 | 4 | 1 | 3 | 11 | 8 | +3 | 13 |
| 7 | Shakhtyor Soligorsk | 8 | 3 | 3 | 2 | 9 | 3 | +6 | 12 |
| 8 | FC Ruh Brest | 8 | 3 | 3 | 2 | 7 | 5 | + 2 | 12 |
| 9 | Slavia Mozyr | 8 | 3 | 2 | 3 | 10 | 12 | −2 | 11 |
| 10 | FK Vitebsk | 8 | 3 | 2 | 3 | 6 | 8 | -2 | 11 |
| 11 | FK Gorodeya | 8 | 3 | 2 | 3 | 5 | 7 | -2 | 11 |
| 12 | FC Minsk | 8 | 3 | 1 | 4 | 12 | 16 | −4 | 10 |
| 13 | Dinamo Minsk | 6 | 3 | 0 | 5 | 11 | 10 | +1 | 9 |
| 14 | Neman Grodno | 8 | 2 | 2 | 4 | 9 | 11 | -2 | 8 |
| 15 | FC Smolevichi | 8 | 0 | 3 | 5 | 6 | 14 | −8 | 3 |
| 16 | Belshina Bobruisk | 8 | 0 | 2 | 6 | 6 | 15 | −9 | 2 |

## সোইবাম দেবেন লৈখিদবদা অম্বাগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):

ওল মণিপুর বোদিবিল্ডরস এসোসিএসন (অম্বা) শেন্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দ লৌখ্রাম্বম লৈরক্তা লৈবা সোইবাম দেবেন ঙরাং লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি প্রেসতা ওল মণিপুর বোদিবিল্ডরস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অদুদা সোইবাম দেবেন মমাঙদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডরস এসোসিএসনগী এদভাইজরগী থৌ পুরম্বদা নত্তনা মণিপুরদা বোদিবিল্ডিংবু চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরমখি হায়রি।

ঙসি খুমন লম্পাক্তা লৈবা ওল মণিপুর বোদিবিল্ডরস এসোসিএসনগী ওফিসতা এসোসিএসন অসিগী থৌ পুবা অমদি মেম্বরশিংনা শরুক য়াদুনা লৈখিদ্রবা সোইবাম দেবেননা লৈখিদবা অদুদা অৱাবা ফোঙদোকপা ওইনা মিনট অনী তুমিন্না লৈদুনা লৈখিদ্রবগীদমক ইকায়খুম্নবা উৎখি।

লোয়ননা এসোসিএসন অমসুং এসোসিএসন অসিগী ওফিসল অমদি মেম্বর পূম্নমক্না লৈখিদ্রবা সোইবাম দেবেনগী ইমুং-মনুংনা থেংনরিবা অৱাবা অদুদা শরুক য়ারি। লোয়ননা লৈখিদ্রবনা মপুগী মনাক্তা ঈংন-চিক্না লৈরুনবগীদমক থৌনিখি হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী প্রেসতা ফোঙদোরক্লি।

## ইংলেন্দদা টেনিস কোর্ট অমসুং গোল্ফ কোর্সশিং থিংলুরবা মতুং হাংদোক্লগনি

লন্দন, মে ১১ (এজেন্সী):

ইংলেন্দদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী লোকদাউন তাঙ্কক ওইনা খরা কোমথোরকপা মরম্না লৈবাক অদুদা লৈরিবা টেনিস কোর্টশিং অমদি গোল্ফ কোর্সশিং য়ূমশকৈশা নুমিৎতগী অথিংবা লৈরুরবা মতুং হাংদোক্লগনি হায়না লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

বৃটিশ লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুগী মতুংইন্না চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ থাদগী লৈবাক শীনবা থুংনা লৈরিবা শান্নবগী মফম পূম্নমক কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দারকপা থিংনবগী পায়খৎলকপা খোঙথাং ওইনা থিংজিনখ্রবা মতুং নৌনা লৈবাক অদুদা লোকদাউন অদু খরা কোমথোকপা মরম্না ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা টেনিস কোর্ট অমদি গোল্ফ কোর্সশিংদা শান্নরোয়শিংনা শান্নবা য়াহনগদৌরি।

লৈঙাক অসিগী ৱারোল অসিনা মখা তারদুনা জিম্নাষ্টিক অমসুং স্বিমিং পুলশিং থিংখিগনি। অদুবু মনাক নকপদা লৈবা পাৎ অমদি সমুদ্র মপানশিংদা ইরোইবদি য়াহনগনি হায়রি।

স্কোটলেন্দ, ৱেলস অমসুং নোর্দন আয়রলেন্দগী ওইনসু মশা মশাগী ওইবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলগা টেনিস কোর্ট অমসু গোল্ফ কোর্সশিং শান্নরোয়শিংনা শীজিন্নবা য়াহনগদৌরি।

ঙরাং বৃটেনগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোনসন্না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী অথিংবশিং অদু কোমথোরকপগা লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোনশিং চেকশিন্না লৌখৎপগা লোয়ননা অতোপ্পা হীরম কয়াদা লৈরম্বা অথিংবশিং লৌথোকখিবনি।

কোম্পিটিটিভ স্পোর্টসকী ওইনদি মখা তানা অথিংবা লৈরি। মসিগী মনুংদা প্রেমিয়র লীগ য়াওরি।

## কোভিদ-১৯ মতুংদা ত্রেনিং মখা চথনবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা মেম্বর ৬ য়াওবা পেনেলনা এস ও পি শেমখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ১১ (এজেন্সী):

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা মীওই তরুকনা শাবা কম্মিটি অমা থমদুনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা লোকদাউন লৈরিবা অসি লোইখ্রবা মতুং মকোক থোংবা এথলেটশিং ত্রেনিং চথননবগীদমক্তা ষ্টেন্দর্দ ওপরিং প্রোসিজর (এস ও পি) অমা শেম্নবগীদমক মেম্বর তরুক য়াওবা পেনেল অমা খনখ্রে।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা স্পোর্টসকী ত্রেনিং সেন্টর পূম্নমক্তা কোভিদ-১৯ লোকদাউন লোইরবা মতুং শান্নরোয়শিংনা মখা তানা মখোয় মখোয়গী তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংগী ত্রেনিং চথনবগীদমক থবক লৌখৎননবা কম্মিটি অমা শেম্বা লৈখ্রবনি।

লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মরুওইনা ওলিম্পিক্সকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখ্রবা শান্নরোয়শিং অমদি মখা তানা ওলিম্পিক্সকী তোঙান তোঙানবা লেমহৌরিবা ইভেন্টশিংদা ক্বালিফাই ওইনবা য়াম্না কন্না হোৎনরিবা এথলেটশিংনা মখোয়গী ত্রেনিং মখা চথনবগী মতাংদা থমখিবা থাজবা অদুগী মতুংইন্না এস ও পি শেমদুনা অথুবা মতমদা ত্রেনিং হৌনবা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুনা মরম ওইরগা পেনেল অসি শেমখিবনি।

মীওই তরুক্না শাবা পেনেল অদুদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি রোহিট ভারদ্বাজনা লুচিংগদৌরি। মহাক্কী লুচিং মখাদা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিম (টি ও পি এস) কী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর রাজেস রাজাগোপালন য়াওরি। লোয়ননা টোপসকী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর (ওপরেসন্স) এস এস রোয়, কর্নেল বি কে নাইক, এস এস সর্লা লোয়ননা টোপসকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর সচিন কেসু য়াওরি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মহাক্কী ট্যুটর একাউন্টতা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না লৈবাক অসিদা লৈরিবা লোকদাউন অসি হেক লোইখিবা মতুং অমদি অথিংবশিং অসি কোমথোক্লবা মতমদা লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা মকোক থোংবা এথলেটশিংগী ত্রেনিং অসি তাঙ্কক নাইনা মখা তানা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

মহাক্কী ট্যুট অদুদা শান্নরোয় পূম্নমক অমদি ষ্টেকহোল্ডরশিংদা আপিল তৌরদুনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা হকচাং ফবা অমদি লায়না লৈতবা হায়বা ৱাফমনা মাঙদা থল্লগা হাথু হাথু থবক লৌখৎনবগী ৱাফম পুখৎলক্তনবা হায়খি।

মরক অসিদা ইন্দিয়াগী ৱেটলিফটিংগী লম্দা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবী মিরাবাই চনু য়াওনা মকোক থোংবা ৱেটলিফটরশিংনা মশান্না অসিগী ওইনাা প্রেক্টিশ চথবদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তা লৈবা মশান্না অমা ওইবনা অয়াবা পীনবা খঙহল্লকখিবা অদুগী মতাংদা পাউখুম পীরদুনা রিজিজুনা অথুবা মতমদা পটিয়ালাদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী নেসনল সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সতা লৈরিবা লিফটরশিং অদুগা ৱারী শানরগনি হায়রি।

ৱেটলিফটরশিং খক্তা নত্তনা স্পোর্টস মিনিষ্টর রিজিজুনা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী হোকি টিমগসু মখোয়না ত্রেনিং মখা তানা চথগদৌরিবা অদুগীদমকসু ৱারী শানরগনি হায়রি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ওফিসলশিং য়াওবা মীওই তরুক্কী পেনেল অদুনা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোয়শিংনা মখা তানা ত্রেনিং চথনবগীমক্তা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরগী মখাদা মোদুল অমা শেমগদৌরি।

হায়রিবা মোদুল অদুদা শান্নরোয়শিং খক্তা নত্তনা কোচশিং, টেক্নিকেল অমসুং নন টেক্নিকেলগী সপোর্ট ষ্টাফশিং, নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনগী ওফিসলশিং, এদমিনিষ্ট্রেটরশিং, মেস অমসুং হোষ্টেলগী ষ্টাফশিং অমদি ভিজিটরশিং অসিগী মতাংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মরু ওইবা কাঙলোনশিং অদু ত্রেনিং হেক মখা চথখিবগা লোয়ননা খঙহনগদৌরি।

সেনিটাইজেসনগী গাইদলাইন ত্রেনিং সেন্টরদা চঙলকপগী কাঙলোনশিং অমদি শান্নরোয়শিং অদুনা সেন্টরশিং অদুদগী মখোয়গী লৈফমনা হনবা অমসুং লাকপগী মতাংদসু এস ও পিগী অকুপ্পা মরোলশিং অদুদা য়াওহনগদৌরি।

## স্পেনগী লা লীগাগী মায়কৈদগী শান্নরোয় মঙা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরে হায়না ফোঙদোরকখ্রে



মাদ্রিদ, মে ১১ (এজেন্সী):

স্পেনগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা লা লীগাগী মায়কৈদগী ঙরাং ফোঙদোরকখিবদা লীগ অসিগী মখাদা লৈবা দিভিজন অনীগী মনুংদা শান্নরোয় মঙা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরে হায়রি।

পনবা য়াই, হৌখিবা চয়োলদা লা লীগাগী মায়কৈদগী স্পেনগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লা লীগাগী শান্নরোয়শিংনা মখোয় মখোয়গী ক্লবশিংগী ত্রেনিং সেন্টরশিংদা অতোপ্পা মীওইশিংগা পূনশিন্নদনা মশা মশাগী ওইবা তোঙান্না ত্রেনিং পাঙথোকপা য়ারগনি হায়না ফোঙদোকখি। হায়রিবা ৱাফম অসি লৈবাক অদুগী অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা লীগ টুর্নামেন্ট সেবুন্দা দিভিজনগী শান্নরোয়শিংসু য়াওখিবনি।

লা লীগানা লৌখৎখিবা খোঙথাং অসি স্পেনদা চৎলিবা চহী অসিগী জুন থাগী ময়ায় চনশিল্লকপদা কম্পিটিটিভ গেমশিং মতম শাংনা লেপ্লুরবা মতুং হৌবা য়াননবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম চথবদা অথিংবা লৌথোকখিবনি। নৌহৌননা লা লীগাগী মায়কৈদগী শান্নরোয় মঙা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা অদুগী ওফিসল ওইবা মমিং লাউথোক্ত্রবসু মখোয় লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ময়ূম-ময়ূমদা ক্বারন্টিন তৌদুনা থল্লগা অমুক হন্না টেষ্ট তৌগনি হায়রি।

পোজিটিভ ওইরবা শান্নরোয়শিং অসিনা মখোয় মখোয়গী ক্লবকী ত্রেনিং প্রোগ্রামদা মখা তানা শরুক য়ানবগীদমক থংন-থংননা টেষ্ট অনী তৌবদা নেগেটিভ রিজিল্ট লৈবগী মথৌ তারি। স্পেনগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ অমসুং সুপ্রিম স্পোর্টস কাউন্সিলগী রিকম্মেন্দেসনগী মতুংইন্না শেমখিবা লা লীগাগী পোটোকোলদা প্রেক্টিশ চথগদবা শান্নরোয়শিং মেদিকেল টেষ্টশিং অসি তঙাইফদনা চথগদবনি। মসিদা শান্নরোয়শিংনা নেগেটিভ ওইরবা মতমদা ত্রেনিং য়াওবা য়াগনি। অদুগা পোজিটিভ ওইরগনা হোম ক্বারন্টিন তৌরবা মতুং নৌহৌননা টেষ্ট অনী নেগেটিভ ওইগদবনি হায়রি।

## টেনিসকী ২০২০ সিজন লোইশিনবগী মতম ঙল্লি : এ টি পি চীফ

লোজেন, মে ১১ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২০দা পাঙথোক্কদবা টেনিসকী তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিং লোইশিনবগী মতম লেপ্পদা ঙনমল্লি হায়না এসোসিএসন ওফ টেনিস প্রোফেসনেল (এ টি পি) গী চ্যেরমেন এন্দ্রি গোদেঞ্জিনা ফোঙদোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, নুপাগী টেনিসকী লম্দা ৱর্ল্ড নম্বর টুগী থাক্তা লৈরিবা স্পেনগী শান্নরোয় রফেল নদালনা কুমজা ২০২১দা ওষ্ট্রেলিয়া ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট মপূংফানা পাঙথোকপা য়ানবা চৎলিবা চহী ২০২০গী ওইনা লেমহৌরিবা টেনিসকী টুর্নামেন্ট পূম্নমক লেপহনবদা মহাক্কী মায়কৈদগী অপাম্বা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, এ টি পিগী চ্যেরমেন এন্দি গোদেঞ্জিনা ফোঙদোরকখিবদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চৈথেং পীরবা ২০২০ টেনিস সিজন অসি লোইশিনবগী ৱারেপ লৌবদা হৌজিক্কী ওইনা য়াম্না ঙল্লি। মতম খরা য়েংবা মথৌ তারি হায়খি।

পনবা য়াবদি, টেনিস মশান্না অসিগী ওইনা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট লাকপদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদু তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী ওইবা মরম্না পাঙথোক্লিবা লৈবাক অদুদসু চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদা অৱাবা অমা ওইগনি। মদুনা মরম ওইরগসু মশান্না অসিবু পামজবা ভাবক কয়া অমনা সিজন অসিগী লেমহৌরিবা টুর্নামেন্টশিং মমিৎমক্না ষ্টেদিয়মদা চৎতুনা য়েংবা ফংদ্রগসু টেলিভিজনগী খূথাংদা য়েংবা পাম্বগী অপাম্বা কয়া অমা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্ট চহী অসিগী ওইনা পাঙথোক্লরোই। য়ু এস ওপন ওগষ্ট ৩১দগী হৌগনি হায়না পানরি। অমরোমদা ফ্রেন্স ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোকপা য়ানবা শীল্লি।

ꯑꯦꯝꯞꯂꯣꯏꯃꯦꯟꯠ ꯅ꯭ꯌꯨꯖ /EMPLOYMENT NEWS

☞ Thoubal, Kakching, Nambol, Sekmai, Samurou অমসুং Imphal Branch (H.Q) গা খ্বাইদগী নক্লনা লৈবা 20 to 28 yrs তা লৈবা Office Supervisor (Graduate Computer Knowledge) 2/2 পামজৈ।

☞ 18 to 28 yrs তা লৈবা Car Driver (Unmarried) অমসুং Local Tata Driver (23 to 38 yrs) 2/2 পামজৈ।

☞ Tera Bazar অমসুং Shamurou Bazar গা নক্লনা লৈবা চেক Mistry অমসুং Jugali 3/3 পামজৈ।

*Please Contact:-* **L. Rammo**
**# 8787727402**

HL/B/6099/23 April to ...

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com